# লানবু শোক্লরবসু, মরুপ ওইবগী মরী থমগেরা, চারৌ মৌরৌনরম্মী হায়রবসু তখেল লমদগী পুরকখিবা তখেল্লৈ মণিপুরগী তখেল্লৈ ওইরেদো

ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী

*তখেল্লৈ,*
*তখেল্লৈ খূবাম খূবাম হেক্লগা*
*ঐনা ঐগী তুম্মমদাইদা*
*ঐগী মোন ময়াদা থনম্বদা*
*য়াওল্লকপা খূদিংগী*
*নম্মকপা লৈনমদুদি*
*ইস! শাথিনা নুংশি*

মতম অমদা ইশানা ইশাবু লৈশাবী ফারে হায়না খনবা হৌরকপা মতমদা লুহোং-খোঙদোংবা, নাহুৎ-নারেং তম্বা, ইপান থাবনচিংবগী থৌরমগা মরী লৈননা মাইকতা য়াম্না তোয়না শক্লকখিবা ঈশৈনি। মণিপুরগী মমিং লৈরবা শৈশকপা ডো. হমোম নবগী মতমদুদা য়াম্না পাম্লখিবা ঈশৈনি। ঈশৈগী মগুন্নরা নৎত্রগা তখেল্লৈ লৈরাংগী মতীক ময়াইনা ওইরিদরা, মদুমদি হায়বা ঙমদ্রে। তখেল্লৈ শাৎলম্বা উরবদি লেম্না অমত্তা থাদ্রে, ইথন ইথন চোংশিন চোংশিন্দুনা পঙহেক্তা হেকই খূবাম খূবাম। অদুগা থম্মী মোন মখাদা। তশেংনমক ঙাওজখি তখেল্লৈদা। ঙসিসু ঙাওরি অদুম্মক। ঙাওজরকখিবগী চাংদি করিবু হায়রুনি। মতম অমদা মোনখুম মোম্পাকফিদক লোনবদা তখেল্লৈ য়েক্লগা লোনখিবা ময়ামদো। হায়সু হায়বনি লৈশক লৈচুগা লৈনমগা অদুক্কী মতিক চুশিন্নে। তইং তইং, মদুননি নাপগী নাচোম ওইনরল্লিবসু। অদুগা অমরোমদা শৈরেংবা কয়ানসু লৈরাং অসিবু শৈথাদুনা ঈশৈ শৈরেং কয়া ইনরল্লিবসু।

অসিগুল্লবা নুংশিরবী, নীংথিরবী তখেল্লৈ লৈরাংনা মণিপুর অমসুং তখেল (ত্রিপুরা) অনীগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরকখিবা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মতমদগী হৌনা লৈবাক অনীগী মরক্তা চারৌ মৌরৌনবগী নক্লবা মরী থম্বগা লোয়ননা মরুপ ওইনদুনা চৎথোক-চৎশিন তৌনরম্মী হায়বগী মরমদা লাইরিক কয়াদা ইরি। মদুদসু নত্তনা করিগুম্বা মতমদা লান শোক্লখিবগী ৱাফমসু থেংনৈ। খল্লাংবা খুনকূমলোন অমসুং ককচিং খুন্থোক্লোননচিংবা অরিবা লাইরিকশিংদা ইরম্বগী মতুং ইন্না মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবনা পানবা মতমদা লাইবুংথৌ মাপনগী মনুংদা নোংথোনবগী ফম পায়রম্বগা লোয়ননা য়োৎশুং য়োৎশাগী থবক্তা মায়পুনবা থৌদাং লৌরম্বা খল্লাংবনা মহাক্কী মনাই মশনশিংগা লোয়ননা ত্রিপুরাদা চৎলম্মী। মফম অদুদা শীজ কালিকা থেংনদুনা য়ূম পানমিন্নখিবা অমসুং অমুক শীজ কালিকাগা লোয়ননা হল্লকখিবগী মতাংবু শ্রী নাওরেম অমুয়াইমা সিংহ (পণ্ডিত অচৌবা) না ইথোকপা "ককচিং খুন্থোক্লোন" হায়না কৌবা লাইরিক্তা অসুম্না ইরি,

> *"লাইনিংথৌ অসি থোংনাং মীরৈবাক্তা। তেৎনাউ য়োৎথিবা, অমসুং লান লুম্বা ওইনা চৎখিদুনা তখেল মীরয়পূঙ, ময়াং মতম পান পুরেন নাগা চীঙতোমপোক, সনা হয়াই চীঙদা শাফোঙলুরে। শীজ কালিকা লাইরেম্মগা লমওক্লদুনা তালোয় লুমদিন্নরে। চহী কুমওন মতম খরা তখেল খুনশেম খুল্লিংদুনা লৈরিঙৈদা ..." (লামায় ১১)*

চহী খরগী মতুংদা লাইনিংথৌ অমদি শীজ কালিকা লাইরেম্মা অনীনা মঙাইরোইশিংগা লোয়ননা মণিপুরদা থোরকপদা তখেললোমদগী মীওই ৩২ গা লোয়নরকখি হায়বগী ৱাফম লাইরিক অসিদা পল্লি। চৈথারোল কুম্বাবদা ইরম্বগী মতুং ইন্না মৈদিংঙু লমক্যাম্বগী হাক্তক্তা ইং কুমজা ১৫১৪ দা তখেলদগী লাইরিক ইবা গবিচন্দ্র কৌবা নুপা অসি মণিপুরদা লাকখি। মসিদসু নত্তনা তখেল অমসুং মণিপুর অনীগী মরক্তা লান শোক্লখিবা মতাং কয়াগী মনুংদা মৈদিংঙু কবোম্বনা পানবা মতমদা তখেলশিংনা লৈমতাক ফাওবা চঙশিল্লক্তুনা মণিপুরদা লান্দারকখি। নিংথৌ মশামক য়াওনা মণিপুরী লান্মীশিংনা লৈমতাক য়ৌবা ফাওবা চৎতুনা লান শোক্লখি। লান অসিদা তখেলশিংবু মায়থীবা পীরবা মতুংদা লান ঙম্বগী নীংশিং খুদম ওইনা ইং কুমজা ১৫৩৪





দা তখেল লানফাশিংবু শীজিন্নদুনা ৱাংখৈদা তখেলখোং কৌবা খোং অমা তৌহল্লম্মী। মতাং অসি চৈথারোল কুম্বাবদা অসুম্না ইরি।

> *"লাই মুসেরাগী কুম শক ১৪৫৫ লানদি তখেন ঙমএ। লানদি আরাই তোলাইকূপ্পা লোনমা থাংবা সানোংবা ফায়এ। নিংথৌজম তোনলোই শিএ। ৱাইরোকপা লমমাগী কুমদি শক ১৪৫৬ তা তখেন খোং তৌএ।" (লামায় ২৪)*

মতৌ অসুম্না মৈদিংঙু পামহৈবা (গরিবনিৱাজ) নচিংবা নিংথৌ কয়াগী হাক্তক্তসু তখেলগা লান শোক্লখিবগী ৱারী লৈ। শমজিন্না হায়রবদা লৈবাক অনী অসি অঙনবা মতমদগী অমনা অমবু শক খঙনরকখি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

পঞ্জিত্রিবা লেপ্তুনা শম্নরকখিবা অদুনা মরম ওইদুনা তখেলদগী পুরকখিবা তখেল্লৈ লৈরাংনা মণিপুরদা মকা লাম্না লৈশাৎ তম্বগা লোয়ননা মহাক্কী নীংথিরবী লৈশক লৈচু অমদি নুংশিরবা লৈনমনা মীপূম খূদিংমক্কী থম্মোয়বু নুংওনহল্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মতৌ করম্না হায়রিবা লৈ অসিনা লমদম অসিদা য়ৌরকখিবগে হায়বগী ৱারী ৱাখোঙ "লৈরোল" হায়না মিংথোনবা খুমন্থেম ধরনেশ্বরীনা খোমজিনবা, পীপলস' ম্যুজিয়ম ককচিংনা ফোঙবা লাইরিক অসিদা মরীক চুম্না ইরি। মৈতৈ লৈবাক্তা মৈদিংঙু খুমোম্বনা (১২৬৩-৬৭) পাল্লিঙৈ মতমদা মোইরাংদা লোইজাওম্বনা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্মী। মৈদিংঙু খুমোম্বগী মজাইবেম্মা ৱাংঙমলোন চনু নহাবু মোইরাং নিংথৌ লোইজা ঙম্বদা থাজরম্মী। মজাইবেম্মগী অপাম্বা অনীংবগী মতুং ইন্না সনা লূপানা অউনপোৎ ওইনা পীবগী মহুৎতা মোইরাংদা কৈথেল অমা শেমগৎনবা লম লৈরগা পীরম্মী। কৈথেন অদু শেম্বা লোইরবা মতুংদা কৈথেল শঙ্গাবগী থৌরম পাঙথোক্কদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদগী হৌনা শেম-শাবা, পোৎলম চৈরম লাঙবা হৌরম্মী। থৌরম অদু য়াওননবগী মোইরাংগী মফম পূম্নমক কাচিন কোয়া থুংনা কেগে শঙাইতু খোঙ য়াংবনা পাউ চেল্লম্মী। মতম অদুদা ত্রিপুরাদগী তখেল সনামনিক কৌবা লল্লোনবা নুপা অমা মহাক্কী মরুপ অমগী য়ূমদা থুংলম্মী। মোইরাংদা ইরাঙ লাঙনরম্বা মওংদু উবদা মরম হংলম্মী। কৈথেল হোঙবগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি হায়বা খঙলবদা মহাক্কা মরমদগী পুরকপা লৈ অদু মোইরাং লৈমদা কৎকে হায়না খনখি।

থৌরম পাঙথোকপা নুমিৎ অদুদা মীয়াম তিনবা মফমদা মোইরাং লৈমসু শকচুগা চানবা ফিজেৎ-লৈতেংলদুনা শামু মথক্তা তোংলগা লূপা ক্বাগোক মনুংদা হাপ্লগা পুরকপা শেল ময়াম অদু লৈমায়দা চাইর-চাইরদুনা লেঙথোরক্লম্মী। মতম অদুদা তখেল সনামনিক লল্লোনবনা মঙক্তা ফি য়েৎতুনা মহাক্লা কৎচগে হায়না চেকশিন্না থমজখিবা লৈ অদু লা অমদা ফজনা য়োম্লগা মোইরাং লৈমদা কৎলম্মী। মোইরাং লৈমনা সনামনিক্কী মরী মখোঙ খঙলবা মতুংদা লৈ ময়োম অদু লৌশিনবীরম্মী। লৈ অদু হাইদোক্তুনা য়েংলগা লৈ অদুগী মমিং হংবা মতমদা মোইরাং লৈমনা মমিং থোনবীয়ু হায়না হঙ্গৎলম্মী। মতমদুদা মোইরাংলৈমনা লৈ অদু থাঙ্গৎলগা মীয়ামদা উৎপগা লোয়ননা তখেলদগী পুরকপা লৈনি হায়দুনা তখেল্লৈ হায়না মিংথোনখি। মতাং অসিবু অসুম্না শৈথারি,

*লৈরাংগী কোলোই মমিংথোন*
*ইঙা কুমদমলৈ, ইঙেন কুমখাইলৈ*
*ইপু তখেল শুজা লাইরবনা তখেল*
*লৈবাক্তগী পুরকই হায়দুনা*
*তখেলগী মিংথাং লৌদুনা ইমা লোইদামলৈ*
*লোইদাম নৱা তখেল্লৈ হায়না কোলোয়খি। (লামায় ১১)*

অতোপ্পা শৈথা অমগী মতুং ইন্না ১৮ শুবা চহীচাদা মণিপুরগী নিংথৌ ওইনা পানখিবা মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা (ভৈগ্যচন্দ্র) গী মজাইবুংঙো কালারাজা মুবা (নিংথৌখোংগী নিংথৌ) না তখেলদগী য়াম্না চেকশিন্না পুরকখিবা লৈ অদুবু গোপীনাথ লাইশঙগী চেকয়াদা থাবগা লোয়ননা তখেল্লৈ হায়না মিংথোনখি।

মণিপুরগী লৈবাক লৈহাওগা চুনরবা তখেল্লৈ লৈরাং অসি লমদম অসিগী পুৱারী অমসুং কলচরগা লীপক্লদুনা লৈরবা লৈরাং অমনি। ত্রিপুরা অমসুং মণিপুর অনীগী মরীবু লীপুন চেৎনা পুন্দুনা থল্লিবা লৈ অসিগী মরুবু হীদাক অমদি ইনশাং ওইনা শীজিন্নবগী ৱাফমসু থেংনৈ। কনাগুম্বনা হায়নৈ, "কৈথেলদা য়োল্লিবা লোক্লৈশিংসে অশেংবা অমত্তা নত্তে, তখেল্লৈগী মউ অনৌবা মৈশোই ঙাক্তনি।" অশেংবা ওইগেরা শেংদবা ওইগেরা মহাওদি লোক্লৈদগী তাদে। হীরম খূদিংমক্তা চন্নরবা, হৌফমগীদমক চিলহাও থিদ্রবী, য়াম্না থুনা চাদা নাওদা শন্দোক্লনবী তখেল্লৈ লৈরাংবু মুৎখিদনবা হোৎনফম থোকই।

# দিভলপমেন্টতা চিংখহৌবা

টি ঐচ ইনাও

**পুম্নমক্লা** খঙবা ৱানি - অহাংবা চাকখাওগী অরাম্বা মায়োক্লরিবা মীওই অমগী পূক্লিং ৱাখল কোকতা মখল অমত্তগী ৱারী-ৱাতাই, পাউরৌ পাউতাক, চাউখৎ-থৌরাং, খন্ন-নৈনবা অমত্তা পূক্লিং চঙলোই। মচি ওইবা চীঞ্জাক চাবা ঙমদবা শেন্থোক ৱাৎপা ইমুংগী অঙাং তিঙ্গং-য়াঙ্গংই, শাহৌ মকা লামদে, মীরক মীচনথি টিমিদ ওই, অখন্নবা খরখক নত্তনা পুম্নমক্লসু উবা ফংই চাংদম্নবা হায়বা প্লেটফোর্ম অদু য়ৌরকপা মতমদা অঙাং হায়বা লৈতে অহল হায়বা লৈতে। মীওইবগী ৱাখলগী শক্তি হায়বসি মপাঙ্গল লৈখ্রবা পোৎশক অমগুম্বনি, খুদম মচং অনীদং (১) মায়োক্লরিবা অৱাবদুনা মরম ওইরগা হোস্পিটালগী ফমুংদা তাদুনা লৈবা অনাবা ডোক্টর মখোল তাবা লাকএ হায়বদা মশা তেখৎলিবনি, (২) অচৌবা শান্নবুংদা পূক্লিং থৌগৎপা ৱাহৈ ৱাতা খোল্লাউ মজাতিগী ঈশৈ তাবদা শোন্থরম্বা ঈগী ঈচেল শিংলি নাওরি মপাঙ্গল কনখৎলক্তুনা মায়োক্লবা লম্বা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকহনবা ঙল্লিবনি। অসিগুম্বা ৱাখলগী, পাঙ্গলগী শক্তি অসি দ্রগ নত্তনা মচি ওইবা চীঞ্জাক হায়বদুখক্তনা পী অমসুং মসিদগী ফংই। মরম অদুনা চীঞ্জাক হায়বসি মীবু ওইরো, জীব ওইরো চারগা হিংবা হায়বদুমখৈ চীঞ্জাক ৱাৎপা য়াদে। মীয়াম্না উবীরিবদুনি ঈরোন্নুংগী জীবশিং, জঙ্গলগী জীবশিংনা হিংলিবগী মওং মতৌ, মচীঞ্জাক থিবগী মওং পৃথিবীগী তোঙান তোঙানবা টি ভি চেন্নেল কয়াদা।

চহী খরসিদা মণিপুরদা চাউখৎ থৌরাংগী মমি খরা উরে অদুসু য়াম্না তপ্পা তপ্পা তৌগদগুম তৌরোইদবগুম অশিন-অরাংশিংগী মরন্নাই ফুরিৎখাওগী শেলগুম চহী মরি চঙগদবদা নিপান, মঙা চঙগদবদা তরা চহী মশীং খঙদ্রবা শুংলোই লোইদ্রবা প্রোজেক্টসু য়াওরি। থাদগদবা শেনফমদগী হেন্নসু চঙহনবা, মতম চানা লোইশিন্দ্রবনিনা চাউখৎ থৌরাংদসু থিলহনবা অদুগা হৌজিক মণিপুরদা উরিবশিংসিসু মপুং ফানা লোইরবা তুংদা শঙ্গাখিদবা কয়া য়াওরি, মায় তারগা মনুং ইহো হোবা, নারুম নুরা থাংবা ঙাক্তা হায়জিনবা নত্তে। সিটি কনভেন্সন কবুই কৈওইবগী ঈশিংগী পাত্রগুম কয়াম কুইনা লৈরম্মী, ঙসিবুদি মথৌ তৌরে। খুমন লম্পাক্কী আই এস বি টি চহী কয়ানো মোংশোং ওইরম্বা, খুগা দামদি কাং খোং চাইরে, দোলাইথাবী প্রোজেক্ট চহী কয়া শুরে, শেল কয়াম চঙখ্রে, ইম্ফাল ইষ্টকী মীয়াম্না মঙজখিবা মঙলান মঙফাওনগদৌরিবরা কাওবু কাওখ্রবনি। ফ্রান্সকী শেন্থংনা পায়খৎপা সিৱরেজ প্রোজেক্ট মীশি মীনা থোক্তুনা ৱাথোক ওইনখি, কৈদৌঙৈ লোইগদৌরিবা। মসিনা মরম ওইদুনা লমদমসিগী ময়োল ইম্ফাল মনুংগী শক্তম পাউচেশিংগী লামায়দা তাখিবা মমি হঙ্গৎনা ফাক্তুনা য়েংলুবদা তু চুংই। মীয়াম কাওবীরবরা নোংখজিক্তং তাবগা লৈখোম লৈনাং, নুংশা শাবগা উফুল ৱাইফুল নাতোন কুপ্লবা মাস্ককী লমদম ওইখিবদো কান্নবসু ফংগদবা মানদ্রে। পঞ্জরিবা খরসি ঙসিগী নত্তে, ঙরাংগীনি। ওভরব্রিজ, এসেমব্লি হাউস, হায় কোর্ট, দবল লেন, তোঙান তোঙানবা দিভলপমেন্টকী ৱার্ক মখল কয়া পায়খৎলিবশিং কান্নবা ঙাক্তনি তৌদ য়াদ্রবা ঙসিগী ভারত, মালেমগী শক্তমশিং য়েংনরুবদা অদুবু খ্বাইদগী ইহান হান্না পায়খৎকদবা থবক অমদি ইউ উদবগুম, ইতা তাদবগুম মীয়ামগী খোল্লাউ মরক্তা ঙসিসু পায়খৎতনা লৈরি মদুদি :- চীঞ্জাক্কী মরমদদি করি অমত্তা পায়দ্রি, হায়দ্রি চীঞ্জাক য়াওদনা হিংবা য়ারোই, দিভলপমেন্ট পুরকপা য়ারোই। ঙসিদি ফুন্দ হায়বসি অচৌবা সবজেক্ট অমা ওইরিবনি, নীংশিংবা য়াই মালেমগী ইনাক খুনবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ঙমথং চৎলিবা চাইনা অসি শুবা নোম্বা চীঞ্জাক ৱাৎতবা হায়বদুদগী ওইহল্লকখিবনি। মখোয়গী ইকোনোমি তৌবা ঙম্বগী শক্তি, পাঙ্গল অমসুং হেল্থ।

ইন্দিয়া চাউখৎলল্লিবা লৈবাকনি মীপুম তীংনা চাউখৎপগী মঙাল ফংদ্রিবা কয়াৎ শুনা, মচল শুবা চীঞ্জাকতি লায়রদনা চাবা ফংদবা, ফিজিকেল ষ্ট্রকচর য়েংবা নুংঙাইতবা মীশিং ক্রোরনা খুজিং ওইদুনা লৈরিবা মীশিং য়াম্বা লৈবাক, চাউখৎলবনি ন্যুক্লিয়র লমজেল য়াওবা ঙল্লবনি চাওথোকচরিবা অসিমক ঙসিদা মশা নানবা তল্লিবনি খুঙ্গং সহর খায়দনা, নেসনল ফুন্দ সিক্যুরিটি এক্ট স্কিম ইমপ্লিমেন্ট তৌরিবনি করিগী দিভলপমেন্ট লাক্লবা, পুরক্লবা। অদুগুম্বা লৈবাক অমগী ফেদরেল মেম্বরনি মণিপুর, চীংলৈবাক মশাগী পোৎথোক্লা হিংবা ঙমজদবা অতোপ্পা রিছোর্স লৈজদবা, মীশিং হেনগৎলকপা, এগ্রিকলচরেল জোনদা লন্নাই মীওইনা য়ূম-কৈ শাজিল্লকপা, লন্নাই ইনষ্টিট্যুসন লীংখৎনরকপা, ঈথৈ লৌখোং মমিংতগী ওইবা লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিং মরম কয়ানা চাথোক হন্থহনবদা মতেং পাংশিনখ্রে। মসিনা মণিপুর চীঞ্জাক্কীদমক ৱাই। শুফম নোম্ফম মরাং কায়দবা, ইন্দষ্ট্রি লৈতবা, বন্দ ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক, হায়ৱে ইকোনোমিক ব্লোকেদ প্রোব্লেম ময়ামসিদা লৈঙাক্লা য়েংদুনা লৈথোকপা, চহী অমসিদদি ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌখিদ্রে কৈদৌঙৈ তৌরক্কনি হায়বা ঙমদে। মণিপুরদা হায়ৱেনা মরম ওইদুনা দরকার ওইবা ইসেন্সিএল কমোদিটিজ পুম্নমক্কী মমল হায়নিংঙাই লৈতনা ৱাংই। অসিগুম্বা তাঞ্জা অমদা নেসনল ফুন্দ সিক্যুরিটি এক্ট ইমপ্লিমেন্ট তৌদবা য়াদদনা তৌরকই ২০১৬ এপ্রিল কুনমঙা অদুসু চহী অনী চোন্থনা মীয়াম পুম্নমক হরাওনৈ মরু ওইনা শেন্থোক ৱাৎপশিং থেংলবসু থেংনা সরকারনা মীয়াম্বু নুংশিবীরমানে খন্দুনা অদুবু থবক ওন্থোরকপা মতমদদি এম এল এশিংগী চেংগী গোদাউন ওইরমদুনা ৱাথোক ওইনখি মণিপুরগী মফম খরদদি। মীয়াম্না হেন্না খঙবীরে ফুন্দ সিক্যুরিটি এক্ট অসিনা মীকোক্তা কে জি ৫/৫ প্রাইওরিটিদা, অদুগা এ এ ৱাই কার্দ হোল্ডর অমদা কে জি ৩৫/৩৫ এক্ট অসিগী মনুংদা য়াওরি হৱায়, চিনি, গেহু, কেরোসিন মীরোনবীনা অঙাং উনবদা লুপা লিশিং তরুক্কী মতেং। শেন্থোক ৱাৎপা ইমুং অমদা লুপা ১১০/১২০ না চেং কে জি কুন কুম্ল্লা, হৱায়, চিনি, গেহু ফংহনবা হায়বসিবু চাদদনা মী শিবা য়াদে হায়বা নৎত্রা মমাঙদসু পঞ্জখ্রে অরাম্বদা করি অমত্তা চঙদে হায়না অদু ওইরবদি নফসা দিভলপমেন্ট লাকপা ওইরক্লবা নৎত্রা। মীওই খরনা হায়, নফসা লাক্ত্রিঙৈদসু অদুম হিংই, চাই অদুবু মীৎয়েং ৱাখল্লোনদু মপুং ফাবাৎত্রিবা মাল্লি, মসিগীদমক লেফ পার্টি অমসুং ৱাখল্লোন মান্নবা কাঙবুনা চহী কয়া চঙবা মতমদুগী ডো. মনমোহনগী কোংগ্রেস লৈঙাক্তা হনবা লৈতনা ভারত পুম্বনা অন্দোলন তৌদুনা তক্লরকখিবদুগী ফলনা মীয়ামগী চাকখাও হাংদনবা বিল অসি পাস তৌরকখিবনি। অদুবু মণিপুরদদি চাউখৎপা ভারত অমগী, চাউখৎপা মণিপুর অমগী মঙ মঙলিবা বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টর মণিপুরগী বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর অনীনী ফুন্দ সিক্যুরিটি এক্ট চেংগী মরমদা করিসু হায়দ্রি তাদুনা য়েংদুনা লৈরি, নুমিৎ খুদিংগী নফসাগী চেং ফংহনবীয়ু, মাঙখিবা চেং থিবীয়ু থা অসুক চেং ফংদে হায়না লীদিং পাউচে কয়াদা নুমিৎ খুদিংগী লাউরিবনি মন্ত্রি মশানসু চেং মাঙদনবা মেকানিজম পুথোক্কনি হায়রিবনি।

অখন্নবা কেন্দ্র খরা নত্তনা মণিপুরদা নফসা মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌদ্রি মীয়াম্না লাউনা লাউনা, না তাথীবা খরদি লৈরমান্নে। ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা কয়াম লুবা জাৎনো, কেন্দ্র অমদদি লুপা লাখ কুম্ল্লা নিফু শিংগৎখিবগী পাউ মীদিয়াদা তাবা ফংখি অদুনা লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংনা ইরৈবাক ইরমদম মণিপুর চাউখৎহনগে খনবীরগদি ৱাখল খন্থবীয়ু, মেটরিএল ৱর্ল্ডগী ৱাহন্থোক মমুৎ তাবীয়ু। মীয়াম অসে ইতিহাসকী চিন্থাং লামায়নি লাইরিক খক্তনা ইতিহাস নত্তে। মরম অদুনা লৈবাক চাউখৎ থৌরাংগীদমক অচৌবা ইনষ্টিট্যুসন, অচৌবা হোল, লম্বী থোং, ওভর ব্রিজ, রিংরোদ, মার্কেট মখল কয়াগী প্রোজেক্টশিংগী মরক্তা ঈথৈ লৌখোংগী, দবল ক্রোপ্পিংগী, ফার্মিংগী নহারোলশিংগী শেন্থোক লম্বী মরুওইনা নফসা ফজনা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনবীয়ু নৎত্রগদি ইপা ইপুশিংগী পাউরৌ "চানবা লৈতে তখেনথাং" হায়বদু নীংশিংবীয়ু অচুম্বনি। পুক য়াওদ্রবদা পাম্বে কয়া থিরক্কনি, লুট-পাৎ, হুরান-চিন্থি, লাকপা-মুনবা ক্রাইম কয়া মতমদুদা মাঙখিনি অফবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়াগী মগুন।

মরোল থোকপা লাই

